# রিলিফ কেম্প অমসুং আই দি পিশিং

## অসুক য়াম্না মনা-মনিল নাইহল্লিবসিবু করিগীনো

আই দি পি 'ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেসদ্ পর্সন্স' হায়দুনা মিংথোন্দুনা অমসুং মিঙ্গৌদুনা খঙনরিবা মীওইশিংসি কনা-কনানো? মখোয়না চঙজফম লৌরক্লিবা রিলিফ কেম্পশিং হায়বসিনা করিনো, করিবু, করম্বা মফম্থু খঙনবগে হায়বরোমদা কোইথোক্লগা পোপথোক্লগুমসি। লানসি মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবনি। ঙসিনা কুমজা ২০২৫গী ওক্টোবর য়ৌশিল্লক্লবনি। হায়বদি কয়াম কুইরগে হায়বনি। হৌজিক্তি আই দি পিশিং হায়বসিনা মসিনি অমসুং রিলিফ কেম্পশিং হায়বনা অসিনি হায়দুনা 'বাখ্য' তৌদুনা শন্দোক্না তাকপগী মতম নৎত্রে অমসুং মথৌসু তাদ্রে হায়বনি। অদুবু রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংগী মতাংদা হৌজিক হেক ফাওবদা অসুক য়াম্না মনা-মনিল নাইহল্লিবসিবু করিগীনো হায়বনি। লান হৌরকপা, কনশিল্লক্তুনা অফং-অফংবা হাত্তোক্লবদগী বোম-বোম তুদুনা শিনরকপদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেন্নরকপশিংগী লমথুপফম ওইননবা রিলিফ কেম্পশিং হাঙদোক্নরকপদদি মতেং পাংবীনবনা পুময়োম য়োমখি। ফি-রোল, চেঙ-চাক্লচিংবা য়াওনা নুংতিগী হিংবদা চঙবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং হোৎচিন-হোৎচিন্দুনা মতেং পাংনখিবা মতমদদি হোয়নি-মাইনি হায়নখিদে। চেক-মোক লাওদে। মনা-মনিল নাইনরকখিদে। অদুবু লন্নাই মীওই, মীয়ামগী লূপ অমসুং মীয়াম্না খুদোল তমদুনা পাংনরকখিবা তেংবাঙশিংদু লেপখিদুনা মরী লৈনবা দিস্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনশিংনা কম্মিটি, নোদল ওফিসরনচিংবগী খুত্থাংদা নৎত্রগা মখোয়গা খূৎশম্নদুনা চলাইরকপদগী অসুক য়াম্না মনা-মনিল নাইরক্তুনা লৈবাক ৱাথোক/ইস্যু অমা ওইহল্লক্লিবা করিগীনো হায়বনি। ৱাহংসিগী চপ চাবা পাউখুম লৈ। পাউখুমসি য়াম্না তেল্লি অমসুং শাংদে। রিলিফ কেম্প পূম্নমক্তা মনা-মনিল নাইবা নত্তে। অদুবু অয়াম্বদদি কেম্প মনুংদগী হেন্দোরক্তুনা মপান থোরক্লিবা অমসুং ৱাথোক-লান্থোক্না পীক থল্লক্লিবসিগী মরমশিংগী মনুংদা ইশম-শম্না পুকচেল শেংনা থবক তৌরক্তবদগীনি। আই দি পিশিংগী মায়কৈদগীবু মালেমগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা লৈবাক্না ফাওবা পুবা-থাংবা ঙল্লোইদবা দিমান্দশিং তাল্লকপা য়াওখ্রবরা হায়বনি। ঐখোয়দি ইরল-ইথুম, ইয়ূম-ইকৈ মৈনা তুম্না থাদোক্তুনা উৎকী মপৈ ওইনা লৈহৌরবনি হায়দুনা সনা-লুপানা লেপ থুম্না হৈয়ু, ফাইভ ষ্টার হোটেলদা থম্মু, চৎথোক-চৎশিন তৌনবা হেলিকোপ্টর অমমম লৈবীয়ু, মশা-মশাগী একাউন্টতা লুপা ক্রোর-ক্রোরনা খুজিং ওইদুনা 'দাইরেক্ট বেনিফিট ত্রান্সফর' (দি বি টি) গী খূত্থাংদা পীরকউ হায়বদি নত্তেদনা!!

হৌজিক ফাওবদা আই দি পিশিংনা লাইনীং ওইদুনা হায়রিবদি মখোয়বু মশা-মশাগী য়ূমদা হঞ্জিনহনবীরো, মসি য়ানবা য়ূম-মৈ থাদোকখ্রবশিংগীনা নৌনা শাবিরো, মৈ চাকখিদ্রবসু অকাই অতোই থোকখিবশিংগীনা মহৌশাগুম লৈবা য়ানবগীদমক শেমজিন-শাজিন্নবা শেল মতিক-চানা পীরো অমসুং থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং হন্না থোরক্তনবা সিক্যুরিটিনা নীংথিজনা ঙাকপী শেনবীয়ু হায়বসিনি। হোয়, পূম্নমকসিগী মথক্তা মখোয়দি মশাগী ময়ূমদা চঙশিন্দুনা লৈরুবদা মখোয়গী পূন্সি মহিংদু 'জিরো' দগী হায়বদি মকোক্তগী হৌরুগদবনিনা নৌহৌননা পূন্সি হৌদোকচবা ঙমজনবা লৈঙাক্তা অঙন্বা তেংবাঙ অমসুং ঙাক্লৌ পীবিয়ু হায়বনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু আই দি পিশিংগী রিহেবিলিটেশন অমসুং রি-সেট্টলমেন্টগীদমক মথৌ তাবনি হায়বা থবক-থৌরমশিং পায়খৎলক্লি। চহীসিগী জুলাই থাদগী হৌরক্লগা দিসেম্বর ফাওবদা তাঙ্কক অহুম্লক্তা আই দি পিশিং মশাগী ময়ূমশিংদা হঞ্জিনহল্লনি। মোরে, কাংপোকপী অমসুং চুড়াচান্দপুরগী হঞ্জিনবা য়াদ্রিবশিংবুনা নৌনা শাবা প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসশিংদা থম্লনি। রিলিফ কেম্প হায়বসি অমত্তা লৈহল্লরোই হায়নসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। হায়সু হায়বনি, রিলিফ কেম্পতবু কনানা অসুক কুইনা লৈনীংদোইনো? আই দি পিশিংনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবসি মৈথক্তা থাঙ্গৎপা খাংদা ঙৌবগা চপ মান্নবনিনা লৈঙাক্কী থৌশিলশিংসি ঙাইঙমদবা, পেন্নদবগী ৱানি। হৌজিক্তি সিক্যুরিটিনা চয়োম শানা ঙাক-শেল্লগা চঙন-থোক্না তৌহনবসু হৌরক্লবনিনা তপ্লবসু-থেংলবসু রি-সেট্টলমেন্টগী থবকসি মায় পাক্না চত্থরকপা ওইরসনু। মসিগী খুদুং ইন্দুনা ঈং-তপ্পা মহৌশাগী ফীভমদু মপূং ফানা হঞ্জিল্লকসনু। অদুবু চৈরকসিদা রিলিফ কেম্প খরদনা মখোয়গী নোংমগী চাকথুংবু লুপা ১০০সু য়ৌদবা য়ামখিদ্রবা শেনফম ওইনা পীরে, খরদনা চেঙ-হৱাই ওইনা পীরে, শেল ওইনা পীবা হৌরনেনা মতম থারগা পীদ্রে, মতম হেন্দোকখ্রে, অমুক হন্না মতম থা-থাদুনা লৈরে হায়বগীদমক ৱারু-নুংলু থোকহল্লক্লিবা করিগীনো? আই দি পিশিংগীদি রিলিফ কেম্প পূম্নমক্কী ওইনা চপ-মান্নবা পোলিসি-প্রোগ্রাম অমসু সিষ্টম অমগী মখাদা মথৌ তাবা থবকশিং পাঙথোকপা য়াদ্রবা? মসিগী মথক্তা রিলিফ কেম্পশিংগী মতাংদবু আর টি আই এক্টকী মখাদা ৱাহং-পাউহংগা তৌনরক্তুনা কেম্প কম্মিটিশিংনা কনা-কনানো, নোদল ওফিসরনা কনানো, ঙারি-ঙাতাই, থাও-থুম অমসুং অতৈ পোৎলমশিং কয়া য়াম্না চঙখ্রবগে, শেলনা কয়ানো হায়বসিবু হংলকফম থোকপা ৱাহংলা, কৈদৌবগী হংলকহল্লিনো হায়বনি। মসিনা তাকপদি রিলিফ কেম্প চলাইবগী থবকসি 'শোয় চাবা' দৌনা খনবা-লৌবা মীওইশিং য়াওরে হায়বা নৎত্রো? মসিমক্না ওইরমগনি রিলিফ কেম্প খরদদি কম্মিটিগী মখাদা লৈনীংদ্রে, থব্বীরনু হায়বগী খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াওখ্রে। রিলিফ কেম্পশিংগী মতাংদা হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনগী থৌমী/ষ্টাফ/ওফিশল ওইগেরা কম্মিটিগী মীওইশিং ওইগেরা মীতৈ হায়বা ফুরুপসিগীদি চাবা-থকপা হায়বদি 'থিবোং' গী মতাংদদি মপান থোক্না ঙাঙন-শক্নদবনি। মখা তানা য়ৌ-য়ৌ তৌহল্লক্কনু। ঙমদ্রগা-হৈত্রগা তোকথোকউ। অঙম্বা কোকথোং অমা লৈ। হৈসু হৈতনা অহৈবা শাবা, অরেম-অপানা নবুক থনগনি খন্দুনা হুরান-লোঞ্জা তৌরকপা য়াওরবদি মিৎকুপ অমা ফাওবা চোন্থরমদনা থোরকউ। রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই দি পিশিংসিবু লৈনীংদুনা লৈবনি খনব্রা, শজিক খরা পীজরগা পংলৈ-লৈবনি খনবগী ৱারা? উৎ-পাৎ তৌদুনা লোম্না চাশিনখিবশিংদু অঙম্বা'মা লাক্লবদি ফোংনা ফাইরক্কনি হায়বসিমসু হৌজিক্তগী হৌনা খঙজিল্লো!!

# মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৭৯)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

শিংঙেল লৈখঙ ৰাই। ৰাইরং নোংপোক কোই চীঙশাং ও মিংথোলখিবদি। করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। মৈতৈ লৈমাবী নোংপাললোন লিনথোইঙমবীনা। চীঙশাং নাপোম তুংয়ীলনা। কোয়না চৎলমমে। অদু নুমিৎতগীবু ৰাইরং কোই চীঙশাং ও মিংথোল মিংকৌখিয়ে। লেংখু লমদম লমহাং লমকাপ তুংওইনা। থৌবাল য়াইরিপোক ও মিংকৌনখিবদি। করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। থৌবাল লাইজ ঈশিং অরুবা। তেকপী ওকলেল ওকলাকোলদা। হৌবা লী। ●

# ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯷꯹)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯛꯄ ꯏꯊꯣꯀꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ꯫)

ꯁꯤꯡꯉꯦꯜ ꯂꯩꯈꯪ ꯔꯥꯏ꯫ ꯔꯥꯏꯔꯪ ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯀꯣꯏ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ꯫ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥꯕꯤ ꯅꯣꯡꯄꯥꯜꯂꯣꯟ ꯂꯤꯟꯊꯣꯏꯉꯝꯕꯤꯅꯥ꯫ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯅꯥꯄꯣꯝ ꯇꯨꯡꯌꯤꯜꯂꯅꯥ꯫ ꯀꯣꯌꯅꯥ ꯆꯠꯂꯃꯃꯦ꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯕꯨ ꯔꯥꯏꯔꯪ ꯀꯣꯏ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯂꯦꯡꯈꯨ ꯂꯃꯗꯝ ꯂꯃꯍꯥꯡ ꯂꯃꯀꯥꯞ ꯇꯨꯡꯑꯣꯏꯅꯥ꯫ ꯊꯧꯕꯥꯜ ꯌꯥꯏꯔꯤꯄꯣꯛ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯅꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ꯫ ꯊꯧꯕꯥꯜ ꯂꯥꯏꯖ ꯏꯁꯤꯡ ꯑꯔꯨꯕꯥ꯫ ꯇꯦꯀꯄꯤ ꯑꯣꯛꯂꯦꯜ ꯑꯣꯛꯂꯥꯀꯣꯜꯗꯥ꯫ ꯍꯧꯕꯥ ꯂꯤ꯫ ●

# মোবাইল ফোনদা হেঞ্জিন্না ঙাওবসি কান্নদ্রে



মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

মোবাইল ফোনদা হেঞ্জিন্না ঙাওবগী থবকসি হৌজিক্কী মতমসিদদি চৎনবী অমা হায়দু চপ চানা ওইরে। মোবাইল ফোন হায়বসি শীজিন্নবগী মখা অসুক্কী মতিক পোল্লি। মোবাইল ফোনগী কান্নবা অমসুং কান্নদবগী হীরমশিংদা লমদমসিগী অখঙ-অহৈশিং কয়ামুক্না হঞ্জিন-হঞ্জিন মীয়ামদা কয়ারক হন্না পাউতাকশিং পীনখ্রবনি। পীরিবা পাউতাকশিংদু লমদমসিগী মশীং থিঙমদ্রবা মীয়ামসিনা ইরৌ লৌনদ্রি। ফীভমসি লৈবনা মণিপুরদা মোবাইল ফোন শীজিন্নবদগী ফংলকপা মাঙজবশিংনা তোংজবশিংদগী শরুক চাম্মদা চাম্মা হেল্লক্লি। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না হৌজিক্তা মীয়াম্না পায়নরিবা মোবাইল ফোনশিংসি অয়াম্বনা এন্ড্রোইদ ফোনশিং ঙাক্তনি। হায়রিবা এন্ড্রোইদ ফোনশিংসিদনি হৌজিক্কানগী মশীং থিঙমদ্রবা, মালেম পূম্বগী ওইনা পুমশু-শুরবা থৌদোক-ৱাথোকশিং অমদি থবক-থানাশিং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং, ভিদিও ক্লিপ্পিংশিং অমদি ফোটোগ্রাফশিং কয়ামুক লোইনা রেকোর্দ তৌশিনবা ঙম্নরিবা, থাদোক-থাজিন য়ানরিবা অমদি য়েংথোক-য়েংশিন তৌনরিবশিংসি। অসুম্না মোবাইল ফোননা মীওইবদা পীবা, মীওইবনা পামজবশিংসি অসুক্কী মতিক য়াম্বদগীনি, ঙসি মীওইবা ঐখোয়না মোবাইল ফোনবু শুপ্নতগী মীৎকুপ অমত্তংদা ফাওবা থাদোকপা ঙম্নদ্রিবসি। অদুবু লুরিবদি, মীওইবনা মোবাইল ফোন হায়বসি শীজিন্নদবা য়াদবা মরম কয়ামুক লৈবদগী মীৎকুপ কাংদনা শীজিন্নবনি হায়রগসু শীজিন্নরিবগী মরমশিংদুদি মীওইবা মশেলগী মরক্তা অমগা অমগা খক মান্নদে। খরনা অফবরোমদা শীজিন্নে অদুগা খরা অমনা ফত্তবরোমদা শীজিন্নে। অসুম্না, ইরমদমসি খক্তগী ৱা নত্তনা মালেমগী মফম অয়াম্বদা ঙসি মীওইবনা মোবাইল ফোনবু কা হেন্না শীজিন্নরিবসি ফত্তবগী হীরমলোমদা শীজিন্নবনা য়াম্মী। থৌদৌসি লৈবননি অশন্বীদা অখঙবশিংনা মোবাইল ফোনদা হেঞ্জিন্না ঙাওবগী থবকসি থাদোকমিন্নরসি হায়রিবসি।

হীরমসিদা মালেমগী ওইনা পাক-শন্নমক কোনশিল্লুবা ঙমদ্রগসু ঐখোয় শ্বাইতগী ওইনা ইরমদমসিগী খক খল্লগা হৌজিক্কী মতমসিদা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা মোবাইল ফোনগী খূৎশিজিন্নসি অমুক্তং কূপ্না খন্থমিন্নবগী মতমদুসু হেল্লবনি। ইরমদম মচাসিদা ঐখোয়না মোবাইল ফোন শীজিন্নবগী মওংসি অসুক্কী মতিক মওং-মরীল তাদ্রি। কয়ামুক মওং-মরীল তাদ্রিবনো হায়বদু শুগায়না পনবা তারবদি কোলমসিমা খক্লা খক কোন্নরোই। অদুবু তঙাইফদবা খরদুদি নৈনহৌবনা চুমগনি। মোবাইল ফোনসি ইচম-চম্না মথৌ তাবগী মতুংইন্না ঐখোয়না মীঙোন্দা কোল তৌরুরগা ৱারী শানবদা অমদি মীনা ঐখোয়দা কোল তৌরকপগী ওক্লগা শানবা ৱারীনচিংবশিংসি খক্তদসু, খরা তোয়না ৱারী শানবা কাঙবুশিংদদি মিৎ-নাকোংনচিংবা হকচাংগী পার্টশিংসি শোক্লিবনি। হীরমসিগী মতাংদা মরী লৈনবা এক্সপার্টশিংনা অমুক্তা হেন্না মুন্না য়েংশিল্লগদি হার্ট, ব্রেননচিংবা অতৈ পার্টশিংসু য়াওনা শোকই হায়রকপসু য়ারিবনি। হৌজিক্কী মতমগী পীক্লিবা অঙাংশিং অয়াম্বনা অসুক্কী মতিক চহী নৌরিঙৈদগী হৌনা মোবাইল ফোনদা গেম শান্নবা হৈনরে। থৌদৌসি মতমসিগী মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু মোবাইল ফোনদা য়াওবা গেম মখলশিং য়েংহনবা লমদম্ন হনবদগী থোকপনি। পীক্লিবা অঙাংশিংনা নৌরিঙৈদগী মোবাইল ফোনগী লংলবা স্ক্রিনদা মমিৎ কুপ্তুবা মখৈ মতম শাংনা নৎত্রগা তোয়না য়েংদুনা লৈরকপা হায়বসিনা অঙাংশিংদুগী নৌরিবা মিৎশিংদুবু শোকহল্লক্তনীংঙাইগী মরমশিং লৈরোই। কনাগুম্বা মমা-মপা ওইবশিং খরনা মশা কোমথোক্লীংবদগী নৎত্রগা ইমুং-মনুংগী চিল্লবা থৌগায়শিংবু পাঙনবা হোৎনবদা পীক্লিবা মচাশিংনা মখোয়দা য়েৎলক্তনবা হায়দুনা থৌদৌসিবু অরায়বা পাম্বৈ অমা ওইনা শীজিন্নে। অমরোমদা, থৌদৌসি হৌজিক্কী মতমদা অয়াম্বা ইমুংশিংদা মীশিং হন্থরকপসিনা থোকহন্দবসু নত্তে। ফীভমশিংসি মমা-মপা ওইবশিংগী থৌশিলগী মখা অসুক্কী মতিক পোল্লি।

মথক্তা পঙ্খ্রিবা মোবাইল শীজিন্নবগী অমাঙবা খরসিনা চুম্নগী চৎনবী অমা ওইনা মীয়াম্না তৌনরিবা মওং খরদুতমক পঞ্জবনি। অসিগুম্বা মীয়ামগী থৌদৌশিংসি নত্তবা, মশা-মশানা লম হেন্দুনা হায়গদ্রা নৎত্রগা ৱাখল তাজদবা অমদি হে তোংবদগী হায়গদ্রা, মশানা য়ানা তৌজবা মোবাইল ফোন কা হেন্না শীজিন্নবগী অমাঙবা কয়ামুক অমসু লৈ। হীরমসিদা অখঙ-অহৈশিং কয়ামুক্না তোয়না তাকপীখ্রবসু, তাপীখ্রিবা ৱাফমশিংদুবু মচেৎ অমা ফাওবা মনাদা হাপ্তুনা, মশাগী অপাম্বা খক্তনা মাঙজিল থাদুনা মোবাইল ফোন শীজিন্নরিবা কাঙবুশিংদনা খিৎ হেন্নসু থোকই। থৌদৌশিংসিনা মিৎ শোকহল্লক্কনি, মশাদা ৱাখল লায়না ওইহল্লক্কনি, মশাগী নোংমগী ওইবা তৌফম থোকপা মথৌশিংদা অকাই-অতোইশিং থোকহল্লক্কনি। পীক্লবা ইরমদম মচাসিদা ফীভমশিংসি অমত্তা খঙদবা মখৈ মোবাইল ফোনদা পুমঙাও-ঙাওবা ময়াম অমা লৈরিবনি। অসিগুম্বা কাঙবুশিংনা তৌরিবসি, কা হেন্না মোবাইলদা য়াওবা গেমশিং শান্নবা, অহিং তূমদবা মখৈ ফিল্ম নৎত্রগা সিরিএলনচিংবশিং লেপ্তুনা য়েংবা, মমান্নবা-মমান্নবীশিংগা অহিং মিৎশেল খাঙদুনা মোবাইল ফোনগী খূত্থাংদা ৱাটসএপতা করিদা মেসেজ থানবা অসিনচিংবশিংসি পনবা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা, মোবাইল ফোনদা অহিং চূপ্পা অমা তূমগদবা মতমদা তূমহৌদনা মেসেজবু ওইরো, গেমবু ওইরো নৎত্রগা ফিল্মনচিংবদবু ওইরো অথেংবা অহিং ফাওবা য়েংদুনা নৎত্রগা শান্নদুনা ব্রেনবু পোত্থাহনবগী মহুত্তা অকনবা মথৌ তৌহন্দুনা থম্বগী থৌদৌসিনা হকচাংগী পার্ট অয়াম্বদা মথং-মথং শোকচিল্লকই। মসিদি মহৌশানি। মরু ওইনা অসুম্না অথেংবা অহিং ফাওবদা মোবাইল ফোন য়েংবা নৎত্রগা শান্নবা মহৈরোয় নহাশিংদদি অসুক্কী মতিক মখোয়গী মহৈ-মশিং তম্বগী লম্বীশিংদা অকাই-অতোইশিং থোক্লিবনি। থৌদৌসি মহৈরোয়শিংগী গার্দিয়ন নৎত্রগা মমা-মপা ওইবশিংনা চেকশিন্না য়েংশিনবীবা ৱাৎপা মহৈরোয়শিংদনা অয়াম্বা থোক্কল্লি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবশিংসিগী মথক্তা মোবাইল ফোন শীজিন্নবগী মাঙজবা অতোপ্পা থৌদৌশিংসু লৈতবা নত্তে। মোবাইল ফোন শীজিন্নদুনা ইন্টরনেটকী খূত্থাংদা ফেসবূক একাউন্ট, ইন্সটাগ্রাম, য়ুট্যুব একাউন্টনচিংবদা ওইদ-পাদবা ময়াম অমা শেমজিন-শাজিল্লগা মীয়াম্বু লান্না লমজিংলিবসিসু মোবাইল ফোন পায়বদগী থোক্লকপা অমাঙবা থৌদৌশিংগী মনুং চল্লিবনি। থৌদৌশিংসিনা করিগুম্বা কান্দা মশানা মশাবু ৱাহঞ্জবগী অরেম্বদা তৌজরুবা থবকশিং হায়বদু ওইহল্লি। অসিগুম্বা থৌদৌশিংসিনা মরম ওইরগা মশানা মশাবু কৈশুমশঙ ফাওবদা য়ৌহঞ্জবা, মীৱা-মৈশা লাংহঞ্জবা অমদি করিগুম্বা কান্দা মীনা ফূবী-চৈবীরম্বা ফাওবসু য়াওরিবনি। সিসু মোবাইল ফোনবু হেন্দোক ফাদোক্না শীজিন্নবা হৈরুবগী দশা নৎত্রা? অসুম্না, মোবাইল ফোনদা হেঞ্জিন্না ঙাওবা, হেন্দোক-ফাদোক্না শীজিন্নবা অমসুং শীজিন্নরিবা মখৈ পেনবা নাইদবগী থৌদৌশিংসি ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু খক মখা তানা চত্থনবা হোৎনরোইদবনি। ইচা-ইশুশিং পূম্নমক্তসু মথক্তা পঞ্জখিবা, অঙাংশিংদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মওংদা মোবাইল ফোন শীজিন্নহনবগী থৌদৌশিংসি ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা খক তম্বীরোইদবনি। মহৈ-মশিং তমহন্নবগীদমক স্কুল-কোলেজনচিংবগী হোষ্টেলনচিংবশিংদা লৈখিবা ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংবুসু স্কুল অমদি হোষ্টেলগী ওথোরিটিশিংগী খূত্থাংদা মথক্তা পঞ্জখিবা মহৈরোয় নহাশিংনা তৌহল্লোইদৌবা, কা হেন্না মোবাইল শীজিন্নবগী থৌদৌশিংসি খক তৌহন্দনবা হোৎনগদবনি। পঞ্জরিবা পূম্নমকসিগী মথক্তা হৌজিক্কী মতমদা লমহেনবা নুপাশিংনা মোবাইল ফোনগী খূত্থাংদা খুদোংচাবা লৌরগা নুপী ওইবীশিংগী ইকায়খুম্নবদা নত্তনা মপূন্সি ফাওবা মাঙহনবীবা, ইরমদমসিগী লমহেনবী, ৱারকপা ঙমদ্রবী মৌনহাশিং খরনসু মোবাইল ফোনগী খূত্থাংদা নুপা কয়ামরুমগী ইমুংশিংবু মথক-মখা ওনবা মখৈ থুগায়বনচিংবগী মশীং থিঙমদ্রবা থৌদৌশিংসু থোক্লিবনি। অসিগুম্না মোবাইল ফোনদা ঐখোয়না কা হেন্না থৱায় য়াওশিন্দুনা অমদি অফ-ফত্তনচিংবা থিদনা ঙাওবগী থবকশিংসি য়ারিবমখৈ থাদোকমিন্নবা হোৎনমিন্নসি।

মথক্কী মরম পূম্নমকসি লৈবনা, ঐখোয় ইশানা শীজিন্নবগীদমক ইরল তিংনা লৈজরুবা ইশাগী মোবাইল ফোনশিংনা ইশাগী ইমং ইশানা থিজবগুম কৈদৌঙৈদা খক থোকহন্দনবা হোৎনসি। নুপা হায়বা লৈতে, নুপী হায়বা লৈতে মোবাইল ফোনগী অফ-ফত্তশিং মমুৎ তানা নৈনদ্রিবা, খঙদ্রিবা কাঙবুশিংনা মোবাইল ফোন পায়বীবগী মহুত্তা, পূন্সি চূপ্পগী ওইনা মোবাইল ফোন শুকপায় পায়বীদবনা হেন্না ফগনি। মোবাইল ফোন লান্না শীজিন্নরুবা মীৎকুপশিংনা লমজিংদুনা, করিগুম্বা কান্দা ইশানা ইশাবু কৈশুমশঙ তান্না পুজে, করিগুম্বা কান্দনা ইশাগী মংফম তান্না পুজবসু য়াওই। মোবাইল ফোন লান্না শীজিন্নবনা করিগুম্বা মতমদসু ইশানা ইশাগী ঈজৎপু লৈখা তানা চিংথজবসু য়াওরিবনি। ঐখোয়না য়ারিবমখৈ ইশাগী ফোনবু কৈদৌঙৈদসু খক লান্না শীজিন্নদনবা হোৎনমিন্নসি। ●

# খোঙউপ নঙবু কৈদগীনো, কনানা নঙবু পুথোরকপনো? -৪




শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল

ডা. লাইশ্রম ইমোবা

থৌরানি অমুস্নানা ফোঙদোরকপা মতুংইন্না কোচিনা খোঙউপ লোনবা য়াগনি হায়বসি থেঙনা লাকখিবা ৱাখলদগী চাংয়েং তৌরুবদা মায় পাক্লকখিবনি। অহানবদদি অঙাংশিংগী খোঙ অমদি খূৎকী মোজা ওইনা লোনলম্বনি হায়। অদুদসু মহাক মায় পাক্লকখি। মহাক্না লোনখিবা অঙাংশিংগী খোঙ-মোজা, খূৎ মোজাশিং অমত্তা লেম্না মাঙখিদে।

পূন্সি লম্বীদা মফাঙ-মফাঙ চৎপদগীদি চৎকদবা লম্বী অমদা পন্থুং য়ৌনবা চংশিনবনা মায় পাক্না পন্থুং য়ৌবা ঙম্মী; লম্বী লম্মাংনগন্দে হায়বসিগী খুদমসু থৌরানি অমুস্নানা ওইবা য়াই হায়নীংই। মহাক্না অতৈ অতোপ্পা মশিন অমদা হাইদোকপা তৌরুদনা মদোম হোৎনজদুনা রবরগী খুগা কক্লগা মদুদা খোঙউপ লোনবগী মশিন অসিদা মায়পুননা হোৎনরকখি। মশীং য়াম্না, মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদ্রগসু মহাক্না শেম-শাবা পোত্থোকশিংদু খক লেম্নদি মাঙখিদে। অসুম্না ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা মেলানচিংবদা মহাক্কী পোত্থোকশিং পুথোক্তুনা শরুক য়ারকখিবদগী তপ্না তপ্না মীয়াম্না খঙনবা হৌরকখি। মতম অদুদদি নৌনা পুথোরকপগা ওইবনা থোইদোক্নসু পাম্নবা মীতানবা পোত্থোক অমা ওইখি।

থৌরানি অমুস্নাগী থোইদোক্না লাইবক ফবা অমা হায়বা তারগদি, মহাক্না শুজরিবা শিনফম অসি মহাক্কী ইমুং-মনুংনা শৌগৎপীবা, পূক্নিং থৌগৎপীরকখিবসিনি। নীংশিংলকই পূন্সিদা মায় পাক্লবা নুপা অমগী মতুংদা নুপী অমনা হেক হেক লেপ্পী হায়বগুম হীরম অসিদা মায় পাক্না মীরক তিনবা ঙল্লকখিবী থৌরানিগী মতুংদসু মপুরোইবা ঐক্তা জয়কুমার লৈরি। মতম মতমগী অনৌবা খোঙউপকী দিজাইন পুথোকপা অমদি খুগা ওইগদবা রবর ককপদা ঐজ্ঞানা মতেং য়াম্না পাংলকখি। মহাক্তা নত্তনা মচানুপা, মচানুপীশিংনসু মতেং পাংলকখি। হৌজিক্তি মহাক্কী মচানুপীসু শিনফমসিদা মখূৎ চৎপী ওইরে। মশানা তাবনি, চাকহাও পোইরৈতোন হুনখিবা লৌফমদা মোইরাংফৌদি করম হৌরক্কদগেদো।



লংনা লোনবা খোঙউপকী দিজাইন অমা

মতমগী মতুংইন্না মহাক্না শাবা/লোনবা খোঙউপ অসি মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ লোয়শঙদা ষ্টেট এৱার্দ ফোর মাষ্টর ক্রাফ্ট পর্সনগীদমক থাগৎপা য়াগনি, থাগৎলু হায়না পাউতাক পীবিরকপা য়াওরকখি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিং তান্ন-খোম্নদুনা মদুগীদমক থাগৎপা হৌখি। অদুবু মেরিট এৱার্দতমক ফংদুনা লাকখি। অদুবু নীংহন্নবা লৈতনা হোৎনবদগী কন্সোলেশন অমদি মেরিট এৱার্দ কয়ারক ফংখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৭৮/৭৯দা ষ্টেট এৱার্দসি ফংখি। এৱার্দ অসিমক্তি ষ্টেটকী থাক্তা লেমজনীংঙাই ওইরবা খূৎনাইবশিংদা লৈঙাক্না পীবা শকখঙ মনানি। অসুম্না এৱার্দ অসি ফংলবা মতুংদগীদি মহাক অমদি মহাক্কী শিন্থা অসিবু খঙবীবা অমদি পাম্নবা হেনগৎলকখি। মসিগীসু মথক্তা মহাক্না হৈরিবা খোঙউপ লোনবগী মহৈ অসি খুন্নাই অসিগী হৌরল্লিবা নুপীমচা কয়াদা তাকপী তম্বীরম্নবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্লবা শেন্থংনচিংবা পীরকপা হৌরকখি হায়।

হৈনজবা থবক, থৱায়না খোয়দারুবা মহৈদা লৈবাক নিংথৌনা শকখঙবীরকপা হায়বসিদি খূৎনাইবশিংগীদি ওন্থোক্না থম্মোয় মথুম-মরাং হৌনীংঙাইনি। থোইদোক্না মণিপুর পীকচৈ হায়বগী ৱানি খূৎশা হৈবা অমদি ফিশা-লোনশাগী লম্ অসোমদা লমদম অসিগী কদাই-কদাইদা কনা-কনা কৈদৌরি হায়বসি থৌওইনা থিগৎকে, য়েংশিনগে হায়বা মীসু, লোয়শঙসু লৈতে হায়রুরগসু চিন-লৈ কৈদৌখিবা য়াই; শল্লপ্না তাঙই হায়রগা শুপচিননীংলে। সুম্নমক্তবু অদুঙৈ মৈদিংঙু লোয়ুম্বনা অতম্নুনা মনাই-মশন থাদোক্তুনা খূৎনাই-শিন্নাইবা থিগৎলগা য়ূম্নাক-শাগৈ য়েন্থোক্লম্বা, মথৌ-মঙম খায়দোক্লম্বা অদুম্না, পাক্না-শন্না য়েঙবিবদি তৌদবগুম্বনি। খূৎনাইবা, খূৎহৈবশিংনা মতাং-মতম, থৌদোক-থৌরম থোক্লকপা লাল্লুমদুনা ঙাইরগা মদোম শাফোঙজনবা হোৎনবা হায়বসিমসু তঙাইফদবনি মতমসিদা। অদুনা "নারক্তা শাৎপী লৈরাংনা খঙবী, উবীনবা লৈতনা, চিনবীনবদি লায়রদনা, খঙবীনবা লৈতনা, অরেম্বদা ঙানবা, খোয়ুম কনাগী খুয়াখাদা লৈরাংজবা ফংদনা মাঙবা" হায়বদো ঐখোয়গী ইরমদমসিগী আর্টিষানশিংদা ময়েক শেংনা থোকই।

অদুম্নদি ওইরগা ঐখোয়গী ইরমদমসিগী আর্টিষানশিংসিগী থোইদোকপা অমা হায়বা তারবদি, কাগনি হায়সু কল্লক্তে, তাগনি হায়বগীসু মীপাইদে হায়বা কাইদাদুনি। মা-মানা হৈরুবা মশিন অদুদা মাঙবা তোঙবখক্কী নত্তনা ঙল্লিমখৈ শিন্থাবসিনি। অসুম্না লংলানা কোচি শীজিন্নদুনা খোঙউপ লোনবা শাবগী মশিন অসি খূৎশি খুনাম্থোক্তগী হৈরকখিবা ওইরগসু খ্বাই তরানা খঙবীরক্তুনা লেমজফম ওইবা মনা, থৌগৎ ৱারোল ইবা ৱাহৈনচিংবা ফংলে হায়বগীসু থোইনা অথোই নাপল য়াওদনা মাগী পামজরুবা মশীনসে মহৌশা-মহৌশাগুম হামু-হামু মখা চত্থরি, ফাখিবা ঈশৈ নোংমতসু মঙংলকই হায়বদু নত্তে, ঙাইহাক শংবদা ঙংই হায়দুনি। মাঙগী লম্বী তেনশিল্লক, উবগী মতিক-ময়াই হন্থরক্লবসু ঙসিসু অদুম হোৎনরি, মসিনসিদা পোত্থাফম ওইরি।

থোইদোক্না শীংথানীংঙাই ওইরিবসিনা, অর্বান এরিয়াদা লাইরিক লাইশু হৈরবা য়াওনা মশিন অমা পায়বা নত্তবা, শুনীং-নোম্লিংবী, অহাঙবা মতম ফংবী লৈকায়গী, ইমুং-মনুং-শাগৈগী য়াওনা হৌরক্লিবী নুপীমচা কয়াদসু মহৈ অসি ঙসিসু তাকপী তম্বীরি। মখূৎ চৎপী মশা ঈকপা ঙম্বী কয়া য়াওখ্রে। মচানুপী ফাওবা মখূৎ নিংথিনা চৎলবনি। কৈনা তোকপা পোকপ্রা/পোকপা হৌনব্রা হায়বদুম থোকই। ঙসিদি মাগী মচানুপী অমদি ফনা ফজনা মখূৎ চৎলে হায়। শিনফম অসিমক্তি, নুপী ওইবীশিংনা, মীপান তাংদনা, য়ূমদগী চত্থোক-খোত্তোক্লুবা তৌদনা থোইদোকপা শিনশঙ হায়বা অমা লীংলুদ্রগসু, হোৎনজবা য়াবা শিন্থা অমা ওইরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।